হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ১৭, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৭৯শুবা মশীং

# দোক্টরশিংগী থবক লেপ্পা খোঙজং

## অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই

কোলকটাগী এন আর এস মেদিকেল কোলেজদা অনাবা অমা শিখিবগী ৱাহৌদা মীওই খরনা ডা. পরিভা মুখর্জিদা ফূ-চৈখিবগী থৌওং অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দোক্টরশিং খোঙজং চঙশিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লে। 'নেসনল লো এগেনষ্ট হোস্পিটাল ভাইয়লেন্স' চৎনহনগদবনি হায়বা ৱাফম তকশিল্লদুনা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ)গী মীৎয়েংখাদা দোক্টরশিংনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মীওইবগী থৱায় কন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা দোক্টরশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা কলকটা হায় কোর্টতা ফাওবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা হায় কোর্টনা অকক্লবা ৱায়েল অমত্তা পীখিদ্রবসু দোক্টরশিংনা 'হিপোক্রেটিক ওথ' নীংশিংলগা মশাগী মথৌদা হঞ্জিনবা অমসুং খোঙফম হন্দোকপা মথৌ তাই হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি। অনাবা অমা শিখিবগা মরী লৈননা জুনিয়র দোক্টর অমবু অনাবগী কাঙবুনা ফুখিবগী মতাংদা জষ্টিস টি বি রাধাকৃষ্ণন অমসুং জষ্টিস সুব্রা ঘোশকী বেঞ্চনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না দোক্টরশিংদা মতীক চাবা সিক্যুরিটি পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। কন্সটিট্যুসনগী অর্টিকল ২১ মতুং ইন্না "হ্যুমেন রাইটস"কা মরী লৈনবা ৱাফম পুন্নমক মীরাইবা য়াদে। "রাইট টু হেল্থ" তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মীপূম খূদিংমক্তা ফন্দামেন্টেল রাইট ফংহনবা তঙাইফদে। দোক্টরগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা অনাবগী পূন্সি কনগদবনি হায়বা ফন্দামেন্টেল রাইটতগী নাথৈবা চুমদে হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি। জষ্টিস টি বি রাধাকৃষ্ণন অমসুং জষ্টিস সুব্রা ঘোশকী বেঞ্চনা হায়খি, খোঙজং চঙশিল্লিবা দোক্টরশিংনা 'অনাবগী পূন্সি কনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং ওইগনি' হায়বা হিপোক্রেটিক ওথ কাউফম থোক্তে। লৈঙাক্লসু দোক্টরশিং খূদোংথীবা মায়োক্লহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকদবনি। অনাবগী থৌগল তৌবা লাকপা কাঙবুনা দোক্টর ফূবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসননা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতগী হৌরগা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা দোক্টরশিং খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিং য়াওনা দোক্টরশিং ঙাকপী শেনবীনবা সেন্ট্রেল লো অমা চৎনহনবীয়ু হায়না আই এম এগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা অইবা চেরোল থাদুনা ৱাকৎপা লৈখ্রে। আই এম এগী চেরোল অদুনা হায়খি, দোক্টর অমদি হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদা কা-হেনবা থৌওং চথুরকপা মীওই খূদিংমক য়ামদ্রবদা চহী ৭ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীনবা ৱাফম য়াওবা সেন্ট্রেল লো অমা পাস তৌবা মথৌ তাই।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা দোক্টর ফূবগী থৌদোক থোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি খোঙজং চঙশিল্লিবা জুনিয়র দোক্টরশিং শৌগৎপা ওইনা মেদিকেল কোলেজ অমদি হোস্পিটাল খূদিংমক্তা মথৌ তৌরিবা দোক্টরশিং ফম থাদোকপগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। খ্বাইদগী ইহান-হান্না ফম থাদোক্কনি হায়না লাউথোরক্লিবসি দোক্টর ফূবগী থৌদোক থোকখিবা নিল রতন সরকার মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (এন আর এস এম সী ঐচ)গী প্রিন্সিপাল সাইবাল কুমার মুখর্জি, ভাইস প্রিন্সিপাল অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সৌরভ চতোপধ্যাইনি। আর জি কার মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল, সাগর দত্ত মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল অমদি নোর্থ বেঙ্গল মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী দোক্টর কয়াসু ফম থাদোক্লগনি হায়বা ৱাফম লাউথোরকখ্রে। চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা অগরপরাদা দোক্টরশিংগী ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমা লৈখিদ্রে। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি কুমজা ২০১০গী দিসেম্বরদা দিল্লি মেদিকেল কাউন্সিলনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতাংদনি। সফদরজং হোস্পিটালগী দোক্টর খরনা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা দিল্লি মেদিকেল কাউন্সিলনা হায়খি, মীওইবগী পূন্সি কনগদবা দোক্টরশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হায়বসি 'ইন্দিয়ন মেদিকেল কাউন্সিল (প্রোফেসনেল কন্দক্ট, ইটিকেট এন্দ ইথিক্স) রেগ্যুলেসন্স ২০০২'গী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি। মালেমগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা দোক্টরশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা মতমদা মরী লৈনবা মেদিকেল কাউন্সিলশিংনা অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম কয়া হেক-হেক ফোঙদোক্লবসু থোইনা কান্নবা ফংখিদে। ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিসু অদু মঙায়রে। মেদিকেল ইথিক্স মতুং ইন্না দোক্টরশিং শিন্থা লেপ্পা য়াদে হায়জরগসু দোক্টরশিংনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসিনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্টরদা অনাবগী কাঙবুনা খূৎ থাবা য়াহন্দনবা অমদি দোক্টরশিংবুসু মেদিকেল ইথিক্স ঙাক্না মথৌ তৌহন্নবা হোৎনফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চীংলোন মাপন করিনো?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ইরমদম অসিগী অশেংবা মমিং লৈজদবগুম কৌনরিবা, খঙনরিবা মণিপুর নৎত্রগা অতৈ অতৈ মমিং ফনা য়াম্না কৌরিবা মফম ইরৈপাক অসি চীংশিংনা ইকোয় কোয়শিল্লি, চীং ময়াম মরক্তা তম্পাক মানবা মচেৎ খরখক ময়ায়দা লৈরি। মফম অসিদা ঐখোয় মীওইবা কৌবা শা কাঙলূপ অসি ওইরকখিবগী ৱারীদি খরা শাংখ্রে। শমজিনজরগা হেক্তা মহাইজরগে। ঐখোয়গী ইপা, ইপু অরিবা মীওইশিংনা ফি শীজিন্নদ্রিঙৈ, মৈ শীজিন্নবা খঙদ্রিঙৈ মতমদগী ঐখোয়গী ইপা, ইপু অরিবা পুকোকশিংনা ঐখোয়গী ইরোনদি লৈরক্লে/শীজিন্নরক্লে হায়বসিদি মীপূম খূদিংমক্না য়ানগনি। মসিদা ইপা ইপু, পুকোকশিংনা শীজিন্নবা লোনশিংসে পাউরৌ ৱাহৈ ওইনা য়াম্না মরাং কায়না শীজিন্নদুনা তুংগী মীরোলগীদমক থম্বীরমই। মসিগী মনুংদগী অমখক লৌখৎতুনা য়েংলবদা, লৈপাক খরা তোংখৎপা/ৱাংখৎপবুনা 'লৈতোং' অসুম্না কৌরি। লৈপাক তোংখৎপা ৱাংখৎপদু খরা চাউরবা, ৱাংবা খরা হেনগৎলবা অদুবুনা 'লৈপুং অতোংবা' মহায়, লৈপুং অতোংবদুদগী হেন্না চাউখ্রবদি চীং মচা হেক মহায়, চীং মচাদগী হেন্না চাউখ্রগদি চীং মহায়খ্রে। অসিগুম্বা চীংশিংনা পরেং পরেং, মরোন মরোন অমগী মথংদা অমা, অমগী মথংদা অমা লৈববুনা চীং মরোল মরোল (চীংলোন) মহায়রি। চীংলোন মখোয়শিংনা হাইবগী (মানা) হায়রিবনি। চীংলোন মখোয়শিংনা লৈবা মওংসি মীওইবনা ঙা ফানবা হোৎনবদা ঈশিংবু থিংনবা 'পল 'কৌবা অদুগুম্বা মওংদা 'পল' ওইনা থিংদুনা লৈরি হায়বগী চীংশিংবু (পল) হায়দুনা পাউরৌ ওইনা শীজিন্নরিবনি। মসিবু চীংলোন মানা 'পল' হায়দুনা শৈথাবা ৱাফমনি। চীংলোন মানা 'পল' হায়রম্বদগী লোন্দৈ ওইরকপদগী অসুম্না (চীং লোন, মা পল,) অসিবু হৌজিক্কী মীরোলনা 'চীংলোন মাপন' হায়নরে। মসিগী ৱাহন্থোকপু চীংলোন ৯ শুই, শুদে অমসুং হেল্লি হেন্দে হায়বরোমদা ৱাহন্থোক পুবিগনু। তুংগী মীরোলনা ককঙাওনগনি , ৱারৌবিনু।

***অদোমগী - থোংঙাম নব নুপা, হাওবম মরক কাংজম লৈকায়***

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১। কুমজা ১৮৪৪ অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদোক অনীখক থোকখি। অমনা মতমদুগী য়ুবরাজ নরসিংহবু ইবুংশি নবিন্না থাঙনা শোকহনখিবা। অতোপ্পা অমনা অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন লমদমসিদা শিখিবা।
(ক) য়ুবরাজ নরসিংহ মশাগী চহী কয়াদা নিংথৌ ওইখিবগে?
(খ) পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন কদায়দা ফুমখিবগে?

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি খঙদ্রা? মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে- নমদুনা হিংলগা নমদুনা পানগদবনি।" পরেং অনীসি রা.কু. সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা অমদগী লৌথোকপনি। লীলাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তূল্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিন হঞ্জিন/খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।" পরেং মরি অসিনা কবি শরতচান্দগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "য়েংলু খুদিং নঙতবু উরে/... পাল্লিবা হৈরাংসু নঙগী শক্তম/শাৎলিবা লৈসু নঙগী মায়থোঙ।" পরেং অহুম অসিনা আর কে হেমাবতীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "কায়রবা থম্মোয় মচেৎশিং/হৌরসনু লৈপাল ওইনা/মাগী থোঙ্গাল মনাক্তুদা/লৈরাং লৈনম ফংবদা/ঐগী থম্মোয়নি খঙনবা।" পরেং মরি অসিমনা 'কেন্দুনা লৈরম্লবদি থম্মোয় অমা' কৌবা ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফৌখোক পুম্বী লায়না : ষ্টেম রোট

**ডো: এম থোইথোই**

লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা মপূং ফারকপা মতমদা ফাওবা তাগল্লি। অদুম ওইনমক লৌবুক্তুদা লায়না অসি তাবা হন্থহন্নবগীদমক ঙল্লিঙৈদা চেকশিনবা চঙই। ফৌ লীংথোক্লমদাই নৎত্রগা হুল্লমদাইদা শেন্লবা লৌফমগী লৌরি কাচিন কাচিনশিংদা অমুবা অপিকপা মকুপ কয়া তাউরিবসি লায়না অসিবু শন্দোক্কদৌরিবা কোকফাই মরূশিংনি। খোন্দোক্তুনা নৎত্রগা কোৎথোক্তুনা লৌথোকপা অমসুং ফুমজিনখ্রবদি লায়না অসি তাবা হন্থহল্লি। ঙসিমক তৌবা য়ারবা থবকনি।

লায়না অসিগী লায়ওং ইরায় লায়না উবা ফংদবা মরম্না লায়না অসিগী মরমদা লৌমীশিংনা থোইদোক্না খঞ্জিল্লুদে। লৌবুক্কী চিদাইদা লেপ্লগা য়েংবদদি লায়না অসি উবা ফংদে। ফৌরক্তা চঙদুনা ফৌখোকশিংদু চেকশিন্না য়েংবা নৎত্রগা নাপী পেংবা মতমদা লায়নাসি থেংনৈ। মসি ফৌনা মচা পোকপা মতম হায়বদি মপূং মরৈ ফারকপা মতমদগী নাবা হৌই। মরুওইনা অকুৎপা লৌফমশিং, ঈশিং চিথোকপা ৱাবা লৌফমশিংদনা নম্না লায়না অসি তাই।

লায়ওং :- থাপ্না য়েংবদা খ্বাইদগী মখা তাবা ফৌনাশিং নাপু মচু চঙবা উগনি। ঈশিং ঈমায় মপাদা লৈরিবা ফৌখোক্তা মৈতানমুক মুবা মওং মরীল নাইদবা দাগশিং উগনি। লায়না অসিনা পুমহনবগী মওং মতৌ অসি পাম্বী অসিমক্কী মনুং থংবা মকাদা ফাওজিনবা ঙম্মী। মতুংদা ফৌখোক য়ৌনা শোকহল্লকই। লায়না অসিনা নারিবা মনা অদুখক কংশিল্লক্তুনা চরু মাল্লকই। ফৌ পাম্বীনা মপূং মরৈ ফারকপগী মতুং ইন্না লায়না অসি নাবগী চাংসু হেনগৎলকই। লায়না অসিনা পাম্বীবু অসুক্কী মতিক শোন্থহল্লি।

অসিগুম্বা পাম্বীশিংদগী পুথোরকপা ফৌ চরোংদি য়াম্না পীকই অমসুং থেঙঙি। মসি লায়না অসিনা পাম্বীগী মখোক অদু শোন্থহনবদগীনি। ফৌ খাওখ্রবা মতুংদা চরুখোকশিংদু য়ুংনা শেগায়দুনা য়েংবদা হঙ্গাম মরুদগী হেন্না কুপ্পা স্কেলেরোটিয়াশিং উবা ফংগনি। লায়না অসিগী তোঙানবা লায়ওং হায়ববু অসিগুম্বা স্কেলেরোটিয়াশিং মশীং য়াম্না পুথোকপসিনি। অদুগা অতোপ্পা মওং অমনা লৌফমদু ফৌ লিংনবা শেম্বা মতমদা হঙ্গাম মরু মানবা স্কেলেরোটিয়া য়াম্না তাওবা উগনি।



তাওদুনা লৈ। য়েংবদা নাপী মরুশিং ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা মাল্লি। লৌ লিংলবা মতুংদদি তাওরিবা স্কেলেরোটিয়াশিংদু সর্ফেস টেন্সন্না ফৌখোকশিংদুদা নপ-নপ্তুনা লৈখি অমসুং মফম অদুদা ময়োন চোংদুনা মরা ইন্থোরক্তুনা লায়না অসিনা নাবা হৌরকই। অমরোমদা নপহৌদবা তাওদুনা লৈরিবা স্কেলেরোটিয়াশিংদুসু মতোন থোরক্তুনা কোনিদিয়াশিং (কোকফাই মরু) পুথোরকই। মসিনসু ফৌ পাম্বীদা লায়না অসিমক থোকহল্লি। লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা নুমিৎ ৪৫ নিমুক শুরকপা হায়বদি মচা পোকপা মতমদা অহানবা লায়ওংশিং উবা হৌরকই।

লায়নাসিনা পীরকপা চৈথেং : লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীশিং শোন্থহল্লি। মরু চঙহন্দে। ফৌথোক হন্থহল্লি। করিগুম্বা লায়না অসি ঙন্না তারবদি ফৌহাম শাৎহল্লি। খরা থেংনা তারগনা মরু চঙবা ফাওবা অয়াংবা ফৌ ওইহল্লি। মসি নত্তনা তপ্না তপ্না শিৎপা নুংশিৎনা ফাওবা ফৌ পাম্বীশিংবু তুহনবা ঙম্মী।

লায়নাসি তাগনবা মফমশিং : ১) মতম অয়াম্বদা ঈশিং তুঙ্গনবা, ঈশিং চিথোকপা ৱাবা মফমশিংদা লায়না অসি তাগল্লি। ২) পোটাসকী চাং নেম্বা মফমশিংদসু লায়না অসি তাগল্লি। ৩) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং ৱাংনা হাপ্লগা পোটাসকী চাং য়াম্না নেম্না হাপ্পা মফমশিংদসু তাগল্লি।

লৌবুক্তা লায়না অসি হন্না হন্না উবগী মরম : ফৌ পাম্বীনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা থোকহল্লিবা কোকফাই মখলসিসু (স্কেরোটিয়ম ওরিজা) মশাগী ধারাবু কঞ্জনবগীদমক হঙ্গাম মরু মানবা রেষ্টিং ষ্ট্রকচর ওইবা স্কেলেরোটিয়া কয়া চরুখোক মনুংদা থনম্মী। অসিগুম্বা স্কেলেরোটিয়া কয়াসিনা মথংগী কুম লাকপদা অমুক লায়না শন্দোকই। ফৌ লিংখ্রবা নৎত্রগা হুন্নবগীদমক লৌফমদু ইনাং তানা নৈবা মতমদা স্কেলেরোটিয়াশিংদু ঈশিং মথক্তা কোয়তাও

তাওদুনা লৈ। য়েংবদা নাপী মরুশিং ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা মাল্লি। লৌ লিংলবা মতুংদদি তাওরিবা স্কেলেরোটিয়াশিংদু সর্ফেস টেন্সন্না ফৌখোকশিংদুদা নপ-নপ্তুনা লৈখি অমসুং মফম অদুদা ময়োন চোংদুনা মরা ইন্থোরক্তুনা লায়না অসিনা নাবা হৌরকই। অমরোমদা নপহৌদবা তাওদুনা লৈরিবা স্কেলেরোটিয়াশিংদুসু মতোন থোরক্তুনা কোনিদিয়াশিং (কোকফাই মরু) পুথোরকই। মসিনসু ফৌ পাম্বীদা লায়না অসিমক থোকহল্লি। লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা নুমিৎ ৪৫ নিমুক শুরকপা হায়বদি মচা পোকপা মতমদা অহানবা লায়ওংশিং উবা হৌরকই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং : ১) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং হন্থবা, পোটাস (এম ও পি) গী চাং খরা ৱাংহনবা, এম ও পি কিলোগ্রাম ৬৫ পরি অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্তুনা লায়না অসি হন্থহনবা ঙম্মী। ২) লায়না চেল্লবা চরুখোকশিং মৈ থাদোকপা ফৈ। ফৌগী মতুংদা লৈবাক খোইদোক্তুনা হঙ্গাম থাবা অয়াম্বা মফমশিংদা তৌনরক্লি। মরম অসিনা ফৌগী মতুংদা হঙ্গাম থাবনা অহেনবা আই লাকহনবতা নত্তনা ফৌগী লায়নাসি হন্থহল্লি। পোখোক হেনগৎহল্লি। থারমদাইদা চরুখোকশিং মৈ থাদোকপসিসু লায়না অসিগীদমক্তি কান্নবা অমনি। ৩) ঈশিং চিথোকপগী খুদোংচাবা লৈরবদি ঈশিং চিথোক্লবা মতুংদা Hexaconazole ৫% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্লবা মতুং নুমিৎ হুমনি লৈরগা ঈশিং অমুক থাজল্লবদি লায়না অসিদগী খরমখৈদি কনবা ঙম্মী। ৪) লায়না অসি ঈশিংগী ঈমায় মপাদা লৈবনা হীদাক লাংথক শীজিন্নদুনা কনবদি ৱায়। অদুবু পোটাসিয়ম চায়বখক্না লায়না অসি তাবগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহনবা ঙম্মী। এম ও পি (পোটাস) কিলোগ্রাম ৬৫বু শরুক অহুম থোক্না খায়দোক্লগা হুল্লমদাই/লীংলমদাই, মচা পোকপা মতম অমসুং মমি তম্বা মতমদা চাইথোকপীবা ফৈ। ●

# লৌদা হার হাপ্পগী তঙাইফদবশিং

**এস সুমঙ্গল**

জীব খুদিংমক্না চিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদবগুম পাম্বীশিং অসিসু মচিঞ্জাক চাদবা য়াদে। মখোয়গী মচিঞ্জাক্তি মশানা শূংজৈ। মখোয়গী মশা চাউখৎপদা, মপান শাবদা অমদি মহৈ য়ানবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক ঈশিংদগী, নুংশিৎতগী ফাজিন্দুনা অমদি লৈবাক লৈহাওদগী মশানা চূপখৎতুনা অমদি শূংজদুনা চাজবা ঙম্মী। অসুম্না পোৎলমশিং অসি শূংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মচন অসি ১৮ লৈ হায়না লৌনৈ। মখোয়শিং অসি পাম্বী মখল অমগা অমগা চাং খেন্নরবসু অমদি মচন অমগা অমগা মথৌ তাবগী চাং খেন্নরবসু অমা য়াওদবদা পাম্বীনা মপূং মরৈ ফাদুনা মপান, মহৈ নিংথিনা শাৎপা/পানবা ঙমলোইদৌরিবনি। হায়রিবা মচলশিং অসি মখল অনী থোক্না খাইদোকনৈ। অহানবদা মাইক্রো/মেজর ন্যুত্রিএন্ট, মমিং ওইনা পল্লবদা হাইদ্রোজেন, ওক্সিজেন, কার্বোন, নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাশ, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফর হায়রিবশিং অসিনি। মথংদা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট নৎত্রগা ত্রেস ইলিমেন্ট হায়না খঙনরিবা অদুনি। মখোয়শিং অসিদি য়াম্না পিকপা চাংদা চংবা পাম্বীদা চঙদবদি য়াদবা কাঙবুনি। মখোয় অদুদি আইরন, মেঙ্গানিস, বোরোন, মোলিবদেনম, জিঙ্ক, কোপ্পর, ক্লোরিন, কোবাল্ট অমসুং নিকেলনি। অসুম্না খায়দোকপসি নত্তবা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিং অসিবু অমুকসু প্রাইমারি (নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ) অমদি ইন্টরমিদিএট ন্যুত্রিএন্টস (সলফর, মেগনিসিয়ম অমসুং কেলসিয়ম) হায়দুনসু খাইদোকনৈ। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কার্বোন, ওক্সিজেন অমসুং হায়দ্রোজেন হায়রিবশিং অসিনা ঈশিং অমসুং নুংশিৎতগী ফংই; নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফর হায়রিবশিং অসিনা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক লৈহাওদগী ফংই। লোয়ননা লৈবাক লৈহাওদগী তশেং তশেংনা ফংবশিং অদুদি আইরন, মেঙ্গানিজ, বোরোন, জিঙ্ক, কোপ্পর, ক্লোরিন, কোবাল্ট, মোলিবদেনম অমসুং নিকেলনি।

মথক্তা থমজরিবা মচলশিং অসিগী মনুংদা লৈবাক লৈহাওদা খরা হেন্নসু ৱাৎকনবা অদুগা লোয়ননা পাম্বীদা চাং ৱাংনা চঙবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবশিং অসিনি খূৎশেমগী হার/রসায়নগী হার ওইনা ময়াম্না হার চাইবা হায়দুনা চৎনরিবসি। হৌজিক্কী মতমদদি অতৈ অতোপ্পা মচল কয়া অমসু লৈবাক লৈহাওদা ৱাৎশিল্লকপনা মরম ওইদুনা খূৎশেমগী হার ওইনা পুথোক্লরক্লি। মখোয়শিংসু দরকারগী মতুং ইন্না পাম্বীদা ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি মহী ওইনা নৎত্রগা মপং ওইনা লাকপা মখল কয়া অমা চাইবদা কান্নবা ফংনরবনি। অদুবু ৱাৎকল্লি খঙলবা মচন খরা অদুদি ৱাৎপগী খুদম ফংদ্রিঙৈ মতমদা মাঙজৌননা চাইহৌবা হায়বসিনদি খ্বাইদগী ফৈ।

ফৌ পাম্বীগী ওইনা থমজরবদা ময়াম্না চাইনরিবা নাইট্রোজেনগী হার য়ুরিয়া; ফোসফরসকী হার ময়াম্না দাইমো হায়না খঙনরিবা দাই-এম্মোনিয়ম ফোসফেট নৎত্রগা অতোপ্পা ফোসফরস য়াওবা হার ময়াম্না সুপর হায়না খঙনরিবা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং পোটাশ য়াওবা হার পোটাসিয়ম ক্লোরাইদ/ম্যুরেট ওফ পোটাশ হায়রিবা হার মখল অহুম অসিগী মতাংদা মতৌ করম্না, কয়া য়াম্না করম্বা মতমদা চাইরগা হার চাইবগী খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংদুনা পোখোক হেলহনগনি লোয়ননা হার চাইবগী অমাঙ-অতা কয়া থোকপদগী ঙাকথোক্কনি হায়বদুগী মরমদা খরা নৈনদুনা য়েংসি।

য়ুরিয়া হায়রিবা হার মখল অসি ঈশিংদা য়াম্না থুনা তুমগনবা, ঈশিংনা চুমথখিবা অমসুং চেন্থদুনা মাঙহনবা লোয়ননা মনিল ওইনা পাইথোক্তুনা মাঙখিবা য়াবা হার মখলনি। মরম অদুনা হার মখল অসি চাইবদা য়াম্না চেকশিনবীগনি। হায়রিবা হার অসিদি মচিৎ মচিৎ ওইনা তাঙ্কক অহুম-মরিরক থোক্না ফৌগী য়াম্না দরকার লৈবা তাঙ্ককশিং য়েংদুনা চাইবীগনি। মতৌ অসুম্না চাইবনা পাম্বীনা হেন্না কান্নবা ফংবতা নত্তনা ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিলহনবদগীসু কনবা ঙমগনি। ফোসফরসকী হার মরু ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট নৎত্রগা দাইমো অনী অসিসু ঈশিংদা তুম্বা হারনি অদুবু মসিদি লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা তোৎশিনখিবা মতমদা লৈবাক্তা অদুমক য়াওদুনা লৈ, ঈশিংনা চুপখৎখিবা অমসুং চেন্থদুনা মাঙবা ঙমদে। ষণপোই খোইবা অমসুং উকায় তকপা মতমদা লৈনাং ওইনা লৌরি পাথোক্তুনা চেন্থোকখ্রবদি খরা মখৈদি মাঙখিবা য়াই, চেকশিনবীগনি। অদুবু অনীসিগী মরক্তা অমতমক শীজিন্নসি। দাইমন্দদি লৈবাক শিলহনবা হার মখল ওইবনা মণিপুরগী হান্নবা শিন্দুনা লৈরবা লৈবাক্তদি মসিগী মহুত্তা সুপর শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। সুপর লৈবাক লৈহাও শিনবা হেনগৎহন্দে অহোইনদুম শিনবা হন্থহনবা মখলনি। মরমদি মঙোন্দা শুনুগী শরুক কেলসিয়ম হায়রিবা মচল অসি চাদা ২০ ফাওবা য়াওই। অসিদসু নত্তনা সলফর হায়রিবা মচল অসিসু চাদা ১২ ফাওবা য়াওই। পোটাশ হায়রিবা হার অসিদি লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক লৈহাওদদি ঈশিংনা চুমথখিবা

ঙম্বা মরম্না তাঙ্কক অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক থোক্না চাইবীগনি। লৈতান লমদদি তাঙ্কক অনীরক থোক্না চাইরবসু য়াই।

অয়াম্বা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লীংলমদাইদা হার হাপ্পগী হৈনবী কয়া উদে। মসিগী মরমদি মাঙজৌননা হার হপ্পা মতমদা ঈশিংদা অরেম্বদা হার মাঙখিগনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী অয়াম্বা ওইনা তৌই। মথক্তা থমজরিবা ৱাফম অসি মুন্না খঙলবদি অকিবা অদু লৈররোই খল্লি। মওং চুম্না হার শীজিন্নদুনা হার মাঙবগী চাংসু য়াম্না হন্থরগনি। খঙজিনবা য়াবা অমনা য়ুরিয়া লৈবাক লৈহাও শিলহনবা হার মখলনি অদুবু চাইদবদি য়াদে। মরম অদুনা য়ুরিয়া কিলো ১০০ চাইবা খুদিংগী শুনু কিলো ৭৪ চাইরবদি শিলহনবদগী কনবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম অসিসু থমজরি। পুম্নমকশিং অসি খঙবগা লোয়ননা লৌদা হার চাইবগী চাং, মতম অমসুং চাইবগী মওং খরা খঙজিনমিন্নরসি।

লৌফম লৌফমগী ওইনা শোয়দনা খেন্নবা লৈগনি। মরমদি লৌপু লৌপুশিংনা থারিবা পাম্বীশিং, থাবগী মওং, চাইনরিবা হারগী চাং, চাইবগী মতম, লৌফমগী ফীভম শোয়দনা খেন্নবা ঙাক্তনি। খেন্নবশিং অসি লৈবনা লৌফম অমগা অমগা লৈহাও লৈবা খেন্নবা তাবনি। মরম অদুননি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী মথৌ তারক্লিবসি। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরগা চঙগদবা হারগী চাং খঙদোক্তুনা চাইরবদি হেনজিন্না চাইদুনা অরেম্বদা অহেনবা শেল তিংবসু লৈররোই, পোখোকসু হেন্না ফংদুনা শেন্দোং হেন্না ফংবসু ঙল্লগনি। ৱাৎনা চাইবগী খুদোংথীবসু নংলরোই। অদুবু লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী খুদোংচাদবা অমদি থেংনরি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা রিছার্স সেন্টরশিংদগী ফোঙলকপা চেশিংগী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

হারগী চাং : য়ুরিয়া লৌ শঙম অমদা কিলো ৩৫-৪০, দাইমো ওইরগনা কিলো ২৫-৩০, সুপর ওইরগনা কিলো ৬৫-৭০, পোটাশ (ম্যুরেট ওফ পোটাশ) কিলো ১৫-১৮ চঙগনি। অৱাংবা শরুক ওইনা ইরিবসি লৈহাও খরা লৈতবা লৌফমগী ওইনা অমসুং হায়ব্রিদ ফৌগী ওইনা লৌসি। অনেম্বসিনা লৈহাও খরা হেন্না লৈবা লৌফমশিংগী ওইনা অমদি ঐচ ৱাই ভিশিংগী ওইনা লৌবসু য়াই। চপ চাবা অকক্লবা মওংদা চাইনবগী খুদোংচাবা খরা ৱাৎলি। য়ুরিয়া চাইবদা খরা হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা পাম্বীগী শাহৌ য়েংলগা মচিৎ-মচিৎ চাইবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াই। হার চাইবগী মওং মখাদা থমজরি। পোটাশ অসি লৌউ লোইশঙ মণিপুরগী মতুং ইন্নদি শঙমদা কিলো ১২.৫ খক্তমক ওইবনি অদুবু হৌজিক্তি মসি খরা ৱাৎনা থোক্লে হায়নবা লৈ । মরম অদুননি খরা ৱাংনা থমজরিবসি।

অহানবা চাইবা : লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লীংলমদাইগী অরোইবা খাওবদা য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা, ফোসফরসকী হার চঙগদবদু পূন্না অমদি পোটাশকী তঙ্খাই অমা হাপ্তুনা লৈবাক্তা তোৎশিনখিনবা হোৎনগনি।

অনীশুবা চাইবা : ফৌনা মচা কন্না পোল্লকপা মতমদা নাপী শেংনা পেংথোক্লবা মতুং নৎত্রগা নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপী হৌদ্রবা মতুংদা, লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অদুমক চাইবীগনি।

অরোইবা চাইবা : ফৌ ফৌগী মপুন্সি শাংবা খেন্নবগী মতুং ইন্না মশা তাশিল্লকপগী মতমসু খেন্নৈ। অয়াম্বা ফৌশিংগীদমক লীংলবা মতুং নুমিৎ ৫০দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা ওইগল্লি। মরম অদুনা নুমিৎ মশীংদা হায়দ্রবসু মশা তাশিল্লকপগী মওং নিংথিনা খঙলবদি করম্বা মতমদা অরোইবা হার চাইগনি হায়বসি খঙবা ঙমগনি। অতেনবা ফৌগীনা নুমিৎ ৫০-৫৫নিগী মনুংদা চাইগনি। খরা শাংবা ফৌগীনা নুমিৎ ৬৫-৭০নি শুরকপা শ্বাইদা চাইগনি। হারগী চাংদি লেমহৌরিবা য়ুরিয়া অমদি পোটাশশিং অদু পূন্না চাইথোকপীগনি। খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা ফোসফরসকী হার অরোইবা খোইবদা হাপহৌদবা তারবদি লৌ লীংলবা নৎত্রগা হুল্লবা মতুংদা চাইবদা কান্নবা ৱাৎলি, অহোইনদুম মাঙজবনা হেনবসু য়াওদবা নত্তে। তঙাইফদনা চাইদবা য়াদে হায়রগদি সুপরগী মহুত্তা দাইমো চাইবনা ফরে। শঙম অমদা কিলো ২৫ মক ফৌ লীংলবা মতুং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা চাইবীগনি। সুপর চাইগে হায়রবদি অমুক্তদা কিলে ৫০-৬০ চাইবা য়াদে পাম্বী শোয়দনা চাকথেক্কনি। খরা থুনা নোং চুদবা, লিক্না চোৎতবা মতম য়েংলগা শঙমদা কিলো ২০দগী হেন্না চাইগুমসি। হপ্তা অমা লৈরগা কিলো ২০ অমা অদুগা অতোপ্পা হপ্তা অমগী মতুংদা কিলো ১০-১৫ অমুক চাইসি। হায়রিবা অসি ফৌ লীংলবা নৎত্রগা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পাঙথোকহৌনবা হোৎনগনি। অসুম তৌরবদি হার চাইবগী কান্নবা ফংগনি হায়জনীংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।